## ‘দিমনিটাইজেসনগী থৌওং য়ানিংদে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী মকোক থোংবা লূচিংবশিংনা ইখঙ খঙহৌদনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোট দিমনিটাইজ তৌদুনা ব্লেক মনি ফাগৎনবগী থৌরাংনি হায়না চখ্থখিবা থৌওং অসিবু মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল য়ুথ কোংগ্রেস কন্মিটিগী য়ুথকী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা দিমনিটাইজেসনগী থৌওং অসিনা মীয়ামদা চরাং-খোইরাংনবা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওনা লৈবাক অসিগী মিদ্দল ক্লাস অমসুং লায়রবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা অতম্মনা চৈথেং পীরে। থোইদোক হেন্দোক্লা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী শোখ্রবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। থা অসিগী ৮দা দিমনিটাইজেসন তৌবগী ৰাফম লাউথোক্ত্রি ঙৈদা বি জে পিগী লূচিংশিংগী লুপা ক্রোর ক্রোরগী শেনফম দিপোজিট তৌখ্রে হায়বসি বি জে পিদগী ফোঙদোকচরকপনি। অদুম ওইনমক বি জে পিনা শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা লৈ হায়বা ৰাফম কয়া ঙাঙলি। অদুবু বি জে পি মশামক্তি শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়রি।

## ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা উৎলুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ট্রাইবেল কলচরেল রিসার্চ সেন্টর মণিপুর, নোনেগী কলচরেল ট্রুপ অসিনা টাটা ষ্টিল কম্পনি লিমিটেদ য়াওনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা চত্তুনা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎলুরে হায়রি।

কলচরেল প্রোগ্রাম অসিগী লূচিংবা জোন্সন ঙামচাংপৌ ফাওমৈ, মেনেজিং দিরেক্টর কলচরেল রিসার্চ সেন্টর নোনেনা পাউচে অসিদা হায়খি, মণিপুরগী ট্রাইবেল এফ্যের্সনা স্পোন্সর তৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা উৎনবা মপুং ওইনা পাঙথোকপা রিয়ার্সেল ওফ দান্স ফোর নেসনল ট্রাইবেল কর্নিভেল, ২০১৬তা হৌখিবা ওক্টোবর ২৫দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎখি। মসিগী মতুংদা টাটা ষ্টিল কম্পনি লিমিটেদনা শিনবা এ ট্রাইবেল কনক্লেভ, ২০১৬ পাঙথোকপদা টাটা ষ্টিল কম্পনি লিমিটেদনা শরুক য়ানবা খঙহল্লকপদগী থা অসিগী ১৫দগী ১৯ ফাওবা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া উৎখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ট্রাইবেল কলচরেল রিসার্চ সেন্টরগী প্রোগ্রাম কয়া থা অসিগী ১৪দা জমসেদপুরগী টাটা নগর অমসুং ঝরখন্দদসু উৎখি। মসিগা লোয়ননা এন ঈ জেদ সী সীনা দিমাপুরদা অমুক কৌরক্তুনা অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোকপা বোর্দর এরিয়া প্রোগ্রাম (ব্রিজিং দ বোর্দরস)দা মখল মখাগী প্রোগ্রাম কয়া উৎখি।

থা অসিগী ৬তগী ৭ ফাওবদা পাঙথোকপা প্রোগ্রামদা হায়রিবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং অসি উৎখিবনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎপা ফংবা হায়বসি ট্রাইবেল কলচরেল রিসার্চ সেন্টর মণিপুর, নোনেগী ওইনা লাইবক ফবনি হায়না মখা তাখি।

## জেদ য়ু এফনা য়ানিংদবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : নাগা মীয়ামগী দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)গী প্রসিদেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ষ্টেফন লমকাংবু থা অসিগী ২৫দা ফৈদিঙ্গাদগী পুলিসনা ফাখিবা থৌওংবু জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্টকী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা সদর হিলস অমসুং জীরিবামবু মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোক্লবা হোৎনরিবদু হন্দোক্কদবনি হায়বা ৰাফম তকশিল্লদুনা নাগাশিংনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লবা এস্কোর্ট শীজিন্নবগী মিংদা নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা দিক্টেটর ওইবগী থৌওং চখুরকপা য়ানিংদে।

হৌজিক থোক্লিবা মুক্লবগী থৌওং অসি মণিপুর গবর্ণমেন্টকী অরানবা পোলিসিদা সদর হিলস অমসুং জীরিবামবু মীয়ামগা তানরমদনা মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোক্লবা হোৎনরুবদগীনি হায়রি।

মণিপুর গবর্ণমেন্টকা জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্টকা মমাঙদা এম ও য়ু কয়া খুৎয়েক পীনখ্রবসু লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তে অমসুং ইনক্কারি তৌবগী ৰাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা চপ চাবা ৰারোল অমা খঙহল্লকপা লৈতে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকা খুৎ থিংজিনবীনবা হায়রক্লি।

## সগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ লাই লম্পাক্তা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : সগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কন্মিটি অমসুং সগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সী প্রোগ্রেসিব কন্মিটি অনীনা শীন্দুনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী) অসিগী এম এল এ, আর কে ইমোগী ওইবা পব্লিক মিটিং অমা ঙসি সগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ লাই লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।




বিজয় গোবিন্দ লাই লম্পাক অমসুং অমুদোন কম্যুনিটি হোলদা চাক্লেন য়াওনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৰা ঙাঙবদা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, চহী ১৫ কোংগ্রেস পার্টিদা লৈরম্লগা কোংগ্রেস পার্টিদগী কান্নবা লৌবা য়াবা লৌরবা মতুংদা ঙসিনা পার্টি অসিবু হুল্লকপা হায়বসি নুংঙাইতে। লাইবক ফদুনা মীয়াম্না ঐবু থাগৎপীরকপনি। কোংগ্রেসতা মীরেপ ওইখিবা নত্তে। অদুম ওইনমক ঐহাক নোংমতা কোংগ্রেস পার্টিবু চৈরগা ঙাঙখিদে। মীয়াম্নবু নুংশিবিরবদি মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লিবসিনি। করিগীদমক্তা মীখলগা মরী লৈনবা মীয়ামগী মীফমদা পার্টি অমবু হুনগদৌরিবনো?

সগোলবন্দ এ সীদা হৌখিবা চহী মরিমখায়রোম অসিদা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট লাক্ত্রিবা ফাওবদি এ পি এলগী কার্দ পায়বা অমসুং কার্দ পায়দবা ওইরবসু চেঙ কে জি ৫/৫ ফংহন্নবা থা খূদিংগী হোৎনজবনি। অদুবু থা ১/২ রোম চিথখিবা মতম অদুদা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট লাকপদগী থেংথখিবা অদুগা মরী লৈননা ৰাকৎ মীফম্নচিংবা পাঙথোক্তুনা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী চেঙ লৌরবা মতুংদা চেঙ ফংদে হায়দুনা ৰাকৎ মীফম ফম্বগী চপ চাবা খুদম চাংদম লৈ। হৌখিবা জুন থাদগী চেঙ য়েল্লিবনি। অথুবদা জুলাই থাগী য়েল্লক্লগনি। থা ১ ফাওবা চেন্নবা য়াবা নত্তে অমসুং পাক শন্না মফম খূদিংমক্তা য়ৌনবা হোৎনরিবনি।

সগোলবন্দ এ সীগী মফম শিনবা থুংনা চেঙ অমসুং কেরোসিন ফংলিবসি মফম খূদিংমক্তা মান্নবা চাংদা ফংনবা হোৎনরকপদগীনি। আর টি আই থারবসু, থাদ্রবসু ঐহাক্লা পায়খৎপা থবকশিং পাউচেগী খুথাংদা ফোঙদোকচখিবা অদুনি। মতাং অসিদা লোৎনিংঙাই লৈতে। মীয়ামগী কথোক্লগা মীয়ামগা লোয়ননা তৌমিন্নবা য়াবা থবক থৌরমশিং অদু পাঙথোকপনি। থা ১গী ফংলিবা তোলোপসু অহল ওইরবা মীওই ৬০০তা ওল্ড এজ পেন্সন পীরিবসিনি। থা ১গী ওইনা অহল ওইরবা মীওই অমদা লুপা ২০০/২০০ পীবদা অমুক্তদা লুপা লাখ ২গী শেনফম চৎলিবনি। মসি ফাওবদা চিথহৌবা য়াওরি। অদুবু ঐনা এম এল এ ওইরিবমখৈ ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম পীখিবনি হায়না আর কে ইমোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোট চৎনহনখিদবা অদুগা মরী লৈননা ৰাকৎ মীফম ফমখিবা অদু করিগীদমক্তা শেল লৌথোকপা য়ারোই। নোংমদা লুপা ২০০০দগী হেন্না লৌথোকপা য়াদে হায়বা ৰাফম অদুগী মায়োক্তংনি। অচৌবা শেনয়েকশিং চৎনহন্দবগী অথিংবা অসিগা মরী লৈননা অনৌবা থৌশীল অমা হৌদোকপদা করিসু কায়দে। মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর ডো. মনমোহন সিংহনা হায়খিবা ৰাফম অদুগুম্না মীয়ামগী জি দি পি চাদা ২দা হন্থরক্কদৌরে। মী লাখ ৪ রোম থবক লৌথোক্কদৌরিবনি করিগীনো হায়বা ৰাফম অদুগা মরী লৈননা হংবদা তোলোপ পীনিংঙাই লৈত্রে, থবক শুনবগী মচাক লৈত্রে। মরম অদুনা মীওই লাখ ৪ থবক লৌথোক্কদৌরি হায়না মনমোহননা লাউথোকখ্রবনি।

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পুন্না থেংনমিন্নরগা সগোলবন্দ এ সীগী মনুংদা পাঙথোক্কে হায়না খনখিবা থবক থৌরম কয়া অদু মখা তানা পাঙথোকপা ঙম্মবা মহাকপু শৌগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

## ফিদেল কেস্ত্রোগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) অমসুং ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা শীন্দুনা ঙসি এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেটকী ওফিসতা সোসলিষ্ট রেভল্যুসনরি লূচিংবা ওইরম্বা ফিদেল কেস্ত্রোনা খঙহৌদনা লৈখিদবগা মরী লৈননা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা ষ্টেট গবর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ কনফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট এম জয়কুমার অমদি এম এস সী/এ আই এস এফকী প্রসিদেন্ট এন সনাহলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়নগী এ শরতনা তরাম্না ওকপগী ৰারোল পীরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা ফিদেল কেস্ত্রোগী অয়েকপা শক্তমদা লৈ কৎখি। ফিদেল কেস্ত্রোগী মথৌনা লৈনা থেংনখিবা থৌদোক কয়াগী ৰারী জয়কুমারনা লিখি। মহাক্লা তাইবঙদা খুন্দারকপা কুমজা ১৯২৬ ক্যুবান মীয়াম্বু বাতিস্তাগী দিক্টেটরগী লৈঙাক্লা ৰাহল্লকপা অমসুং কেস্ত্রো অমদি রেভল্যুসনরি লূচিংবা কয়া লৈবাক্তুদা থোরকখিবা অমসুং কুমজা ১৯৫৯দা রেভল্যুসন মায় পাক্তুনা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈঙাকপা হৌখি।

পীকখ্রবা লৈবাক অমা ওইরিবা ক্যুবানা মালেমগী সোসলিষ্ট রেভল্যুসনদা অচৌবা শক্তি অমা ওইরক্তুনা লেতিন অমেরিকা অমদি অফ্রিকাগী লৈবাকশিংদা তেংবাঙ কয়া পীখি। ইন্দিয়াদসু নন-এলাইনমেন্ট মুভমেন্টকী শক্তি শাগৎমিন্নখি। কেস্ত্রোনা চৎখ্রবসু রেভল্যুসনরি ওইবা সোসলিজম অমসুং কম্যুনিজমগী ৰাখল্লোন ঙসি ফাওবা হিংহৌরি। থৌরম অদুদা ডো. ঈ গিরানি অমসুং এ আই এস এফকী ষ্টেট প্রসিদেন্টসু ৰা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা তিনখিবা মীওইশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, ক্যুবাগী রেভল্যুসনরি লূচিংবা ফিদেল কেস্ত্রোনা থা অসিগী ২৬তা লৈখিদবা সী পি আই (এম এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা অৰাবা ফোঙদোরক্লি। রেভল্যুসনরি লূচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসি মালেমগী ওইনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়না সী পি আই (এম এল) লিবরেসন মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ক্যুবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী অহানবা সেক্রেটরি ওইখিবা কথোকপা, অচুম্বগীদমক্তা শিবা কিদবা ক্যুবাগী কন্সটিট্যুসনবু চেৎনা থাজবা, অচুম্বা লৈবাক ঙাক্লোনগীদমক চহী ১৫ জেলদা লৈখিবা ফিদেল কেস্ত্রোনি। ক্যুবাগী হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসন্দা অহোংবা অমদি চাউখৎপা পুরক্লবগীদমক হোৎনখিবা কয়া অদুনা মরম ওইদুনা ক্যুবাদা এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থতা অহোংবা কয়া লাকখিবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না কুমজা ১৯৮৮দা হেল্থ ফোর ওল হায়বা মিংথোন পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

থোইদোক হেন্দোকপা মতিক ময়াই কয়া চেল্লবা কম্যুনিষ্ট লূচিংবা অসিনা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোরক্লি। ক্যুবাগীদমক্তা কেস্ত্রোনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবগী মপান্না হেল্থ, এদ্যুকেসন, চাইল্দ ক্যের, টুরিজম অমসুং বাইও টেক্নোলোজিদা মালেমগী ওইনা শীংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎপগী লম্বীদা মাঙজিন থাখি।

## বেঙ্ক কষ্টমরশিংনা চয়োল অমদা লুপা লীশিং ২৪ ফাওবা লৌথোকপা য়াবগী অয়াবা পীরি



মুম্বাই, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী): মীয়াম্না হান্নগী মতৌগুম চয়োল অমদা মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী লুপা ২৪,০০০ লৌথোকপা য়াখিগনি হায়না রিজার্ভ বেঙ্কনা ফোঙদোকখ্রে।

আর বি আইনা থাদোরকখিবা ৰারোল অমনা হায়খি মদুদি, মখা তাবা য়াথং অমা ফংদ্রিবা ফাওবা বেঙ্কশিংনা কষ্টমর অমবু চয়োল খূদিংগী লুপা ২৪,০০০ ফাওবা লৌথোকপা য়াহনগদবনি। নবেম্বর ৯দগী হৌনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্ট অমসুং এ টি এমদগী শেল লৌথোকপগী মতাংদা অথিংবা থমদুনা লাকখি।

নোংমদা লুপা ২,০০০ ফাওবা লৌথোকপা য়াহল্লম্বদগী নবেম্বর ১৩দা অনৌবা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা লুপা ২,৫০০ ফাওবা লৌথোকপা য়াহনখি। চয়োল ১দা লুপা ২০,০০০ ফাওবা লৌথোকপা য়াহল্লম্বদগী লুপা ২৪,০০০ ফাওবা লৌথোকপা য়াহনখি। অরিবা শেনয়েক্লা অনৌবা শেনয়েক্লা ওন্থোক্লবা য়াবগী মতম হেনখ্রবসু আর বি আইগী কাউন্টরশিংদদি মখা তানা চৎনখিদ্রবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী শিন্দোক্লবগী অয়াবা পীরি।

মরকসিদা, আর বি আইগী গবর্নর উরিজিৎ পতেলনা হায়খ্রে মদুদি, মীচম মীয়ামগী অৰাবা কোকহন্নবগী মতাংদা আর বি আইনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলি। মীয়ামগী অপাম্বা থুংহন্নবগীদমক আর বি আইগী প্রিন্টিং প্রেসশিংদা অনৌবা শেনয়েক নম্বগী থৌরাং লৌখৎলি।

হৌজিক হৌজিক অনৌবা শেনয়েক মরাং কায়না লৈরে অমসুং লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা বেঙ্কশিংনা অখন্নবা থৌশীল অমগা লোয়ননা এ টি এমশিংদা অনৌবা শেনয়েক হাপচিনবা হোৎনরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পতেলনা হায়খি, অরানবা তৌবা মীওইশিংনা জালি নোট পুথোকপা ঙমদনবগী পান্দমদা আর বি আইনা পুথোক্লিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ২০০০ চৎপীগী নোটতা তোপ তোপ্পা মওং মতৌ খরা য়াওরি। শেলগী অৰাৎপা লৈরবসু মীয়াম্না য়ারিবমখৈ দেবিট কার্দ শীজিন্নদুনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈবীনবা মহাক্লা আপিল তৌখি। বেঙ্কশিংনসু লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংগা খুৎশম্নরগা পোইন্ট ওফ সেল (পি ও এস) মেছিন মশীং য়াম্না থম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

আর বি আইনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, আর বি আই অমসুং গবর্ণমেন্টনা হৌজিক প্রিন্টিং প্রেসশিংদা অনৌবা শেনয়েক মরাং কায়না নমদুনা মীয়ামগী অৰাবা কোকহন্নবা হোৎনরি। নুমিৎ খূদিংগী আর বি আইনা বেঙ্কশিংগা পাউ ফাওনদুনা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবগী মতাংদা পাউ লৌরি।

মতম খরগী মমাঙদা বেঙ্ক অমদি এ টি এমশিংদা মীওই কয়া পরেং শানা লেপ্পম্বা অদু হৌজিক্তি নোংমা নোংমগী চাং হন্থরকপগী ফীভমদা লৈরে। ষ্টেট খূদিংমক্তা অহেনবা মী শীজিন্নদুনা এ টি এমশিংদা য়ারিবমখৈ শেল ৰাৎহন্দনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নৌনা পুথোরক্লিবা শেনয়েক্লা হান্নগী শেনয়েক্তগী পীকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, অরানবা তৌবা মীওইশিংনা অশাবা শেনয়েক পুথোকপদা ৰানা থোক্লবগীদমক হান্নগা মান্নদবা মওংদা অনৌবা শেনয়েক নম্বনি।

করি মরমগী শেনয়েক অনী চৎনহনদ্রিবনো হায়বগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা পীখিবা ৰারোল অমদা হীরম অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৰাফম ফোঙদোকখ্রে। অখন্নবা পান্দম অমগা লোয়ননা ব্লেক মনি অমসুং জালি নোট থিংনবগী মতাংদা দিমনিটাইজেসনগী থৌরাং লৌখৎপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

করম্বা মতমদা মীচম মীয়ামগী অৰাবা কোকহনগদগে হায়বগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, বেঙ্ককী ষ্টাফ পুম্নমক্লা নোংমদা অহেনবা মতম থবক শুদুনা মীয়ামগী অৰাবা কোকহন্নবা হোৎনরি।

## চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুংনা শীন্দুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ঙসি শিংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা লৈময়োল আর্ট সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

চীংমী-তম্মী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা মৈদিংঙু সনাজাওবনা থৌরম মপু ওইখি অমসুং লম্লাং হুপ্পী ইবুধৌ থাংৰাই পাখঙবা লাইফমগী শিংবা থাও চোথে, কবুই মার্দর এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অলু কামসোন, মণিপুর ষ্টেট ৱিমন কন্মিসনগী মেম্বর রঞ্জিতা গোলমৈ অমসুং বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ-১২গী কাউন্সীলর পি হোইনুনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৰা ঙাঙবদা লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরক্লবা ইরৈচাশিংনা ফুরুপ কাঙলূপ খায়দনা পূকচেল শেংনা ইরমদম মণিপুরগীনি হায়বা ৰাখল্লোন্দা খন্নবা চঙই। ঐগী ঐগী হায়বা ৰাখল্লোন অমদি থাজনবী ময়াম কাউথোক্লগা লমদম অসিগী লৈমায়দগী চাউখিবনি অমসুং হৌজিকসু পুন্না খুন্দামিন্নরবনি হায়বা লিচিংদা থম্মোয় শেংনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নদুনা অপুনবগী শক্তম পুরকসি। অপীকপা ৰাখল্লোন থাদোক্লরগা নুংশি-চান্নবা ইরমদম মণিপুরগীদমক্লি হায়বা ৰাখল্লোন্দা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয় ময়াম হি অমত্তদা তোংমিন্নরিবনি। ইথক ইপোম লাকপা মতমদা পুল্লপ ইরাকমিন্নগনি। মরম অদুনা হিংমিন্নবগী লম্বী থিমিন্নবা, ইথক ইপোমনা থেংদনবা থৈদোকমিন্নদুনা কংফালদা পুন্না থুংমিন্ননবা হোৎনসি।

ফুরুপ কাঙলূপকী ইচিল-ইনাও, ইচল-ইচে ওইরিবশিংগী নুংগী ইচেলসিসু পাক চাউনা লৈহনসি। থম্মোয় শেংনা মবুং-মৌপ্পাগী ওইবা নুংশি মরীসু কাউবীদনবসু নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা আপিল তৌখি।

নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি সনা কোনুংদা পাঙথোক্লবা তৌরম্বনি। অদুবু লাইবক থিবদগী অনা-অয়েক য়াওরকপা অমদি সঙাই ফেষ্টিবেল তৌবনা মরম ওইরগা চঙথোক-চঙশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদগী মফম অসিদা ঙসি পাঙথোকপনি। মথং চহীগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদি সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙবদা পি হোইনু চোথেনা হায়খি, নুংশি-চান্নবা হায়বসি ৰাহৈনা নত্তে। থম্মোয়গী অনিংবা অদু থবক্তা তাক্তুনা নুংশিনবগী থৌওং উৎনগদবনি। ইবুধৌ থাংৰাই পাখঙবগী থৌগল তৌদুনা লৈজরকপনি। থম্মোয় শেংনা লম্লাং হুপ্পীগী নিংঙোলশিংবু চাক কৌবিবসিদা নুংঙাইবা পোকই। থৌরম অসিগা মরী লৈননা চোথেগী ওইবা নাৎকী ফিসু নিংথৌদা খুদোল তমখি।

থৌরমদুদা রঞ্জিতা গোলমৈনা হায়খি, ইবুং-ইপ্পাশিংনা ঐখোয়বু চাক্কৌবিবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা পোকই। নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বসিগী নুংগী ওইবা ৰারোলদি মবুং-মৌপ্পাশিংগা, মচে-মচলশিংগা লৈনরিবা নুংশিবগী ইচেল অদুনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা চৎনবী অসি মাঙদনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙখিবী অলু কামসোননা হায়খি, নুংশিনবা হায়বসিনা মীওইবগী তৎন-থানবা য়াদবা মরী ওইরিবনি। ঐখোয়সি ইচিল-ইনাও অমদি মবুং-মৌপ্পা ঙাক্তনি। ইচিল-ইনাও, মবুং-মৌপ্পা ওইনা নিংথৌনা ঐখোয়বু চাক কৌবিবনি। নিংথৌবুসু পূন্সি নুংশাংনা, নাদ-য়েক্তনা লৈনবা য়াইফ থৌজাল পীখি।

## নোংমগী ওইবা লিটরেরী ফোরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য একাদেমি অমসুং গুলাপি নট সঙ্কত্তন একাদেমি, ইম্ফাল অনীনা পুন্না শীন্দুনা কোঞ্জেংবম ইতোয়াইমা সিংহগী মরমদা নোংমগী ওইবা লিটরেরী ফোরম অমা ঙসি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা হিন্দী ট্রেনিং টিচর কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।


থৌরম অদুগী অহৌবদা লৈখিদ্রবা কোঞ্জেংবম ইতোয়াইমগী অয়েকপা মিতমদা মীয়াম্না লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী হৌদোক ৰারোল পীরদুনা মণিপুরী লেঙ্গৈইজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিগী কনভিনর ঐচ বেহারীনা হায়খি, লিটরেরী ফোরম পাঙথোকপসি হন্দক্কীসি থারগা ৫রক শুবনি। মণিপুরদা লৈরিবা নট সঙ্কত্তনগী মমিং চৎলবা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগী মরমদা তৌখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিংনা নট সঙ্কত্তন নৎত্রগসু মণিপুরী নটকা মরী লৈনবশিংদা মমিং লৈরবা মীওইশিংবু নীংশিংনবগী থৌওং অসিনা মণিপুরী নটকা মরী লৈনবা থবকশিং অসিনা মণিপুরগী খোরিরোলদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা ওইরবসু করিগুম্বা খরদি তৌরম্লিবনি হায়বদু নীংশিংহনগনি। মরম অদুনা মখোয়বু ঐখোয়না নৌহৌনা নীংশিংবা হায়বসি তঙাইফদে।

ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং নীংশিংদ্রবদি হৌজিক থকসি-খাসি ৰাৎলক্লিবা অমদি কাং খোং চাইবা কয়া লাক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা গুলাপি নট সঙ্কত্তনদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানসু থৌদাং য়াবিরকপা য়াই। নট সঙ্কত্তন খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়াদা মমিং চৎখিবা কয়া লৈরি। মখোয়গা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়াসু জে এন এম দি এনা পায়খৎলকপা য়াবা কয়াসু পায়খৎলি। মসিদসু নত্তনা তৌবা য়াবা কয়া অদু ঐখোয়না থবক ওইনা পায়খৎলিবনি।

খোংজোম পর্ব অমসুং পেনাগী মরমদসু থবক কয়া পায়খৎলি। হৌজিকমক্কী ওইনা ত্রিপুরাদা পেনা শকপা মীওই অসি অমখক্তা লৈরি। পেনা অদুসু অচুম্বা নত্তবা, পেনা শকপদা খোংজোম পর্বসু য়াওশিল্লি। ত্রিপুরাগী মীতৈশিংনসু পেনা শকপা থাবীরকউ হায়রকই। লাইরিক হায়বা-থিবগীদি মীওই কয়া লৈহৌরি। বাংলাদেশতসু লাইরিক হায়বা-থিবগীদি মীওই কয়া লৈহৌরি। অদুবু ৰারী লীবা অমসুং পেনা শকপদি লৈহৌদে। মণিপুরী নাৎ অসি ঐখোয়না কনগে হায়রবদি মণিপুরগী কাচিন কোয়াদা অমদি মণিপুরগী ৰাংমদা চহী ৭ খুন্তাকপদা লৈখিবা মণিপুরগী মহারাজগী খোঙলোয়শিংনা খোন্দাদুনা লৈহৌবা মফমশিং অসিদা মণিপুরী কলচরবু ঙাক শেন্নবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না মতেং পাংফম থোকই।

DUTTA CLINIC
মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৰানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৰার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।


ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৰার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৰাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৰাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিনা ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৰাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/3442/03/11-02/12

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng.)
Class starts on : 5th Dec. 2016 Last date : 3rd Dec. 2016
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
Class starts on : 19th Dec. 2016 Last date : 17th Dec. 2016
Class Timing: Evening: 4:30 pm to 7:30 pm
Office hours: 4:00 pm to 8:00 pm
Please Contact: Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities #8731833072 / 9856279435
HL-B/3494/22/11-21/12


## CROSSWORD-2256



**ACROSS**
- 7 Quickly (2,3,6)
- 8 Whitening chemical (6)
- 9 Resides (6)
- 10 Physician (6)
- 12 Deadly (6)
- 13 Powerful snake (3)
- 14 Liverpool's river (6)
- 16 Northern Ireland (6)
- 18 Area surrounded by water (6)
- 20 Sudden and unexpected (6)
- 22 Medium-dry sherry (11)

**DOWN**
- 1 Bucket (4)
- 2 Finally (2,4)
- 3 Yorkshire racecourse (8)
- 4 Precious metal (4)
- 5 Not present (6)
- 6 Sneak (8)
- 11 Abroad (8)
- 12 Praiseworthy (8)
- 15 Winding downhill ski race (6)
- 17 Current (6)
- 19 Palm fruit (4)
- 21 Jab, nudge (4)

Solution 2255



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2055

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 1 | 7 | | | |
| 9 | 4 | | | | | 8 | | |
| 6 | 1 | 5 | | | 4 | | | |
| 3 | 9 | | 7 | | | | | |
| 7 | | | | | | | | 6 |
| | | | | | 1 | | 5 | 9 |
| | | | 2 | | | 4 | 3 | 1 |
| | | 6 | | | | | 9 | 2 |
| | | | 9 | 4 | | | | |

Solution-2054

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 6 | 7 | 2 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 2 | 9 | 1 | 4 | 6 | 3 | 7 | 8 | 5 |
| 3 | 8 | 7 | 1 | 9 | 5 | 6 | 2 | 4 |
| 8 | 2 | 5 | 9 | 3 | 4 | 1 | 6 | 7 |
| 1 | 6 | 9 | 8 | 5 | 7 | 4 | 3 | 2 |
| 4 | 7 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 9 | 8 |
| 9 | 5 | 2 | 3 | 7 | 1 | 8 | 4 | 6 |
| 7 | 3 | 8 | 2 | 4 | 6 | 9 | 5 | 1 |
| 6 | 1 | 4 | 5 | 8 | 9 | 2 | 7 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9